ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, ওক্টোবর ২২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২০৭শুবা মশীং

## নিংঙোল চাক্কৌবা

### অনী থোকপগী চৎনবীদা লাক্লিবসি তৌহন্দনবা হোৎনহন্নিংই

মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা থৌরমশিংগী মনুংদা নিংঙোল চাক্কৌবসু অমনি। মীতৈগী থাবান্দা হিয়াঙ্গেগী নীনি পানবদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা মবুং-মৌপ্বা অমদি মচে-মচলশিংগী মরক্তা থম্নবা মরী হেন্না চেৎশিনহল্লিবনি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবা মণিপুরগী য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অসিগা মান্নবা মওংদা অতৈ লাইনীং চৎপা মীওইশিংগীসু তোঙান-তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লরি। হিন্দু-লাইনীং চৎপশিংগী ওইনসু মবুং-মৌপ্বা অমদি মচে-মচলগী মরক্তা থম্নবা মরী নৌহৌনা নীংশিংবা ওইবা রক্সা বন্ধন নৎত্রগা ভৈগেনি-ভুজান পাঙথোক্লি। নিংঙোল চাক্কৌবগী মপূং ওইবা শক্তমদি য়ুম্নাক শাগৈ ওনখ্রবা মচে-মচলশিংবু মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংনা কৌরগা হরাও-হরাও চাক চরা অমা চামিন্নবা অমসুং হৌখ্রবা পূন্সিগী অৱা-নুংঙাই থৌদোক কয়া নীংশিংদুনা ৱারী শানবদুনি। থৌরম অসি নোংদা লাইরেন পাখংবা হাক্তক্তগী পাঙথোক্তুনা লাক্লে হায়না থাজনরি। মতমদুদা মচে-মচলশিংনা মবুং-মৌপ্বাশিংবু চাক্কৌবগী চৎনবী লৈরম্মী হায়রি। অদুবু মৈদিংঙু চন্দ্রকৃত্তিগী হাক্তক্তগী মবুং-মৌপ্বানা মচে-মচল চাক্কৌবগী চৎনবী হৌদোকখিবনি হায়না থাজনরি। মতম অমদদি মবুং-মৌপ্বাশিংগী মনাক্তা লাকপদা ইঙ্খোলদা পানবা হৈ-রা খরখক পুরগা লাক্লরম্মী। মচল-মচেশিংগা, মবুং-মৌপ্বাশিংগা পীক্লিঙৈ মতমগী মতৌ নীংশিংনদুনা পূমকোয় কোয়না চাক চামিন্নগনি, কনাগুম্বা খরদি মবুংগা পূন্না চাক চামিন্নবসু য়াওদবা নত্তে। অঙাং ওইরিঙৈগী ওইনখিবা ৱারী কয়া, হৌজিক-হৌজিক শাগৈ ওন্দুনা হিংলিবা পুন্সিদা থেংনরিবা অৱা-নুংঙাইগী ৱারী লীনৈ। তুংদা মবুং-মৌপ্বাশিংনা মচে-মচলশিংবু ফিদা থাদুনা ফমহল্লগা অচম্বা খূদোলপোৎ পীনরম্মী। চনু-নিঙোল ওইরিঙৈ মশুং মমান্নবী ওইনা হৌমিন কামিন্নরক্লবসু শাগৈ ওনখিবা নুমিৎতগী শক-উনখিদ্রবশিং মপাম লমদমদা লাক্লবদা হরাওনা কৌনবা, কমদৌরি হায়না হংনবগী খুদোংচাবা ফংবা কুম্হৈ অসি ঙসিদি মীতৈ খুন্নাই খক্কী ওইনা তৌরবসু কুম্হৈ অসিগী ফজরবা মশক অসি খঙলকপা মালেমগী ফুরুপ অতৈনসু নোংমদি শোয়দনা মতৌ তম্নরকপা য়াই। অসুম্না মবুং-মৌপ্বাগী শেংলবা নুংশি-মরীবু চেৎশিলহল্লিবা ফজরবা নাৎকী চৎনবী অসিবু ঙসিদি খঙহৌদবা শাফূ কয়ানা হৌখিবা চহী খরা অসিদা মশক-মচু ওন্থোকপীরে। অসিগুম্বা শাফূ অসি থিংহৌদ্রবদি নোংমদি শোয়দনমক্কী নিঙোল চাক্কৌবগী মওং কায়রকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

মশাগী লৈজবা ফিরোল শেৎ-চাদুনা মবুং-মৌপ্বাগী ময়ুমদা লাকপবু কনাদা ইকায়গদৌরিবনো? পীশক পীক্লিঙৈ মতমদগী অপোকপী মমানা ফমুং অমত্তদা মোল্লবা মমাগী খূৎনা পোপ-পোপ থাদুনা নাউশুমবীখিবা মচলবু মবুং-মৌপ্বানা অমোৎপা ফি শেৎলগা লাকই, মীয়াম মমাঙদা ইকায় হায়না করম্বা মতমদা চৈবা য়াওখ্রবগে? মশাগী অরৈবা পোৎ পুরগা চাক চরা অমখক্কীদমক লাকপগী মহুত্তা নম্বো-ও থাবো-ও তৌদুনা গুলা কৌতা মরি-মঙা, য়ুবী তরূক-তরেৎ, লফোয় লফাং চবুন অমা, ক্বা অমদি অথুম-অহাওনচিংবা পুরকপগী চৎনবী অমা লাক্লে। অমরোমদনা মবুং-মৌপ্বাশিংনসু মচল-মচেগী অচম্বা খূদোলপোৎ পীবগী মহুত্তা মমল য়াম্লবা পোৎ-চৈ কয়া পীনরে। কনাগুম্বা ইমুংদদি চাকা অনী পানবা গাড়ীফাওবা খূদোল ওইনা পীনরে। অসিগুম্বা চৎনবী অসি মণিপুরগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। শেন্মীৎলোনদা মীপাল তাংলগা হিংলিবা লমদম অসিদা তূংদুনা লৈহৌগদবা শেনফম পূম্নমক চহী অমগী মনুংদা অমুক থোরকপদা মপানদা পূল্লপ হৈদোকখিবগী মওং অমা লাক্লে। সেন্টরগী থৌজালদা হিংলিবা মণিপুরী খুন্নাইনা মশাগী অচেৎপা শেন্মীৎলোন অমা শাগৎননবা হোৎনবদা নিঙোল চাক্কৌবগী খূদোলপোৎ পীবদা হিদান্নরকপসিনা চাউনা মাঙজ হল্লে। নিঙোলশিংনা পুরক্লিবা গুলা, লফোয়, য়ুবী, সেম, কোমলা অমদি অতৈ পোৎলমশিং মণিপুরদা থোকপা পোত্থোক অয়াম্বা নৎত্রে। মপান্দগী পুশিল্লকপা, মপান্দা শেল চৎখিগদবা পোৎলম্না অয়াম্বা ওইরে। নিঙোল চাক্কৌবা চৎননবগীদমক্তনি হায়দুনা মচা-মশূশিংগী, নিঙোল মশামক্কী শেৎন-চাননবা লৈরিবা পোৎলমশিংসু মপান্দগী তাংবনি। শম্না হায়রবদা, থাধরক্লিবা শেনফমশিং অমুক হন্না মপানগী মীওইশিংনা খোক্লগা পুখিবগুম্বনি। ৱাফম অসি শেন্মীৎলোন নৈনবা কাঙবুদদি খ্বাইদগী খোইদৌ শাউগৎপা কূম্মৈ অমা ওইরকপা চহী য়ামশিল্লক্লে। ফীভম অসিদা ঐখোয় পূম্নমক ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মবুং-মৌপ্বাশিংনা মচল-মচেগীদমক্তনি হায়দুনা পীবা খূদোলপোৎতা মমল য়াম্বা পোৎ পীনরকপনা মৌ অমগা মৌ অমগগী মরক্তা অনেম-অৱাং খায়হন্দুনা ঈংনা-তপ্না পানবা ইমুং কয়া মৈথক্তা থম্বীরে। নিঙোল চাক্কৌবা য়ৌরক্কদৌরে খনবদা হরাও-মথোই কানরিবা নিঙোলশিংগী মশীংদগী নীংবা কায়বগী মীৎলু পিরাং শীন্থরিবা নিঙোল মশীংনা হেল্লক্লগদ্রা হায়বগী মিপাইবা লৈরে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা থুনা-য়াঙনা চৎনবী অমা ওইনা শন্দোরক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবগী মশক ওল্লবা শক্তম অসি থিংননবা হোৎনহৌবা চুমগনি। মসিদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। তঙায়ফদ্রবদি লৈকায়-লৈকায়গী ওইনা অসিগুম্বা নাপ চাদবা মওং-মতৌ অসি তৌদনবা ৱাখল্লোন পীবগী কান্নবসু লৈগনি। মবুং-মৌপ্বা, মচল-মচেশিংনসু ৱাখল খন্থমিন্নরগা মবুংদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা খূদোলপোৎ পীয়ু হায়রোইদবনি। মতম কুইনা উনরুদবগী অৱা-নুংঙাই ৱারী শানরগা অথোংবা খরা হরাও-হরাও চামিন্নরবা মতুংদা অঙম্বা খূদোল তমদুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী অশেংবা ৱাহন্থোক লৈহন্নবা হোৎনরসি। হীরম খূদিংমক্তা অনী থোকপগী চৎনবী লৈরিবা লমদম অসিদা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমসু অনী থোকপগী মওং অমদা লাক্লিবসি মতম পূম্বগী ওইনা তৌহন্দনবা হোৎনহন্নীংই।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪**

১) (ক) *"কয়াম ৱাৎলি লমদমদো, কয়াম ৱাৎলি য়ৌরনিদা লাপ্তুরে, মাঙদা চখৎলু মাঙদা চখৎলু"*

(খ) *"অনৌবা য়ুগকী অনৌবা আশা পুদুনা লাক্লো নহারোল লাক্লো নহারোল"*

ঈশৈ অনীসি গ্রুপ শকমিন্নবা ঈশৈগী ইহান হানবা গ্রামোফোন রেকোর্দ লৌখিবা (মনিং মমায় ওইবা) ঈশৈনি হায়না রেকোর্দ তৌরিবা শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মমিং করি কৌই অমসুং অইবদুনা কনানো?

২) *"কনাগী লৈকোলদা শাৎপীনো করম্বা মালিগী খূৎশেমনো"* মীয়াম্না য়াম্না পাম্ননা তানরবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিগী শৈরেংবসি কনানো?

৩) শক্লাইরবা এদুকেসনিষ্ট অমসুং লুচিংবা অমনা ইরম্বা অমসুং মশা লৈখিদ্রবা তুংদা ফোঙবা নোভেল অমগী মমিংনি 'পীশুম্লৈ' হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) "হরাওজখিবা অমনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী কাঙবু লাক্লগা লাই হরাওবগী ঈশৈ তোম্বীনৌগী খোঞ্জেলদা লৌরগা শন্দোকখিবদো। মদুনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী ইন্দিয়াগী থৌরম হৌদোক্লে হায়রিবনি" মমিং চৎলবা লমকোয় ৱারী অমদৈ লৌথোরকপনি। করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো মমিংশিং হায়য়ু।

৫) পঞ্জাবী অইবা কর্ত্তারসিং দুগ্গলগী ৱারী মচাগী খোমজিনবা লাইরিক 'ইক সিট চান্নন দি' হায়বসিবু 'থাবলগী চৈনা' হায়না মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ট্রান্সলেটর অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৩
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ইকুই কুইদনা ঐসি লীলা কাঙবু অমনা অমুক মখোয়গী হেরো শানবা নেকপা লাক্লে। মদু অতৈ নত্তে। ঐনা ঐগী ইশক তাকপা ঙমখিবা অমদি মদুদগী হেন্না অতোপ্পা কাঙবু অমদা য়াওদনা ঐগী পুন্সি চূপ্পা হোংদনা য়াওরকখিবা মফমনি। ময়াম্না চাকথেকপী পার্টি হায়রগসু খঙনবা পার্টি অদুনি। তশেংবদি মীয়াম্না থোনবীবা মীংনি। অশেংবা এসোসিএসনগী মীংদি নহা ঙাক্তনা পুনশিল্লগা অনৌবা খোঙথাং অমগা লোয়ননা আর্টকী থবক তৌজবনি হায়বদু তাক্লবা মমীংদু - নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসন কৌই। মসি রেজিষ্টর বোদি অমা ওইদ্রি। অদুবু লীলাদি মমিং ফনা য়াম্না চৎখ্রে। এসোসিএসন অসিগী ওইবা কন্সটিট্যুসন অমদি অতৈ মরু ওইবা চৎন-কাঙলোন অমা ফাওবা লৈরমদে। এসোসিএসন অমা ওইবগী চপ চাবা এগজিক্যুটিভ ষ্ট্রকচর লৈতবনা থবক অমা তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া অমা লাকপদগী রেজিষ্টর তৌনবা হোৎনরকপদা থৌ পুগদবা খন্দোক-খঞ্জিন তৌদবা য়ারক্তে। ঐনা সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরকপদা হায়রিবা এসোসিএসন অসি কো-ওপরেটিভ সোসাইটিদা রেজিষ্টর তৌখি। অদুগা কাঙলোন অমগী মখাদা য়াম্না লিংনা এসোসিএসন অমা ওইনা লৈবা হৌরকখি। ঐখোয় থৌ পুবশিং অসি চহী অনী-অনীগী মনুংদা হেক হেক শিল্লি। অদুবু ঐবুদি ফনা শাংনা সেক্রেটরিগী থৌ পুনবা ময়াম্না শীন্নখি। লীলাগী কাঙবু অমদা সেক্রেটরি অমগী মথৌ অসি অসুক্কী মতিক চাউই। মহাক্কী পোলিসি প্লান কয়ানা লীলা কাঙবু অদুগী মরাইবকসু লেপকদৌরিবনি। চহীগী ওইনা পুথোক্কদবা লীলা, মদুগী মওং মতৌ, মদুবু ইনবা ওজা থিবা, লীলাদুগী মায়ওন, অইবা অদুগা য়াম্না কূপ্না তানদুনা ইনবা হোৎনরগা পুথোক্লবা থৌরাং তৌবা। অতোপ্পা লূপশিংগা শম্নবা মতমদা করম্না শম্নগনি অমদি এসোসিএসন অদুগী মীংচৎ লোয়ননা থৌশিল কয়াদা হেন্না মথৌ পাংবা ঙমগদবা মওং কয়া অমা লৈ। মতম মতমগী মতুংইন্না আর্টিষ্ট খন্দোক-খঞ্জিন, চান-চুনবা আর্টিষ্ট খনবা অসিসু অরায়বা অমা নত্তে। আর্টিষ্ট অমনা লীলা অমদা মায় পাকহল্লিবনি, মায়থীহল্লিবনি। অদুনা তেং-তেং লাউবা আর্টিষ্ট খনদবা য়াদে।

ঐখোয় মতমদুদা মমিং য়াম্না লৈনা লীলা তৌরকপদা য়াওখিবা আর্টিষ্টশিং অসি মতম মতমগী ওইনা খরা অদুম শিল্লবসু শুকশিন শিন্দবদি লৈখিদ্রবা ধনবির অমদি ঐ ইশামক অসিখক্তনি। অতৈদি লোইনমক মতম মতমগী খুদোংচাগদবা য়েংদুনা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌই। মসিদা অতৈ লৈহৌরিবা ময়াম্নসু অদুম মতেং পাংশিল্লি। মতমদুদা খরা শাংনা য়াওখিবা হায়রগদি - মাঙ্গোলজাও, তাদা নাগেশ্বর অসিনি। মতমদু আর্টিষ্টসু য়ামদে। ঐখোয়গী লীলানা কন্না হেক মমিং লৈরকপা মতমদা শাংনা য়াওমিন্নরকপা অসিদি - ধনবির (থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়), ঐ ইশামক নরেন্দ্র নিঙোম্বা (খোংমন ওক্রম চুথেক, হৌজিক্লা ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়), মাঙ্গোলজাও (লম্ফেল), নাগেশ্বর (চীংখু), অদুগা নুপীদনা দেবদত্ত, কোমোল (মরক্তা জিলাঙম্বা) অসিখক্তনি। মসি নত্তবা নুপাগীদা - এন পাকচাও (বাসিখোং), এ কে বেঙ্গোল (কৈশাম্পাৎ), তাদা লাইশ্রম জুগেশ্বর (অৱাং পোৎশংবম), এন রাজেন (কৈরাও), এম ভোরোট (উচেকোন), ও থোইবা (নহারুপ), এল ইবোয়াইমা (উচেকোন খুনৌ) লোয়ননা লৈখিদ্রবা লৈতাম তোমাল (উরিপোক), তা থম্বাল (অহল্লুপ), মৈতৈ তোম্বা (য়ুরেম্বম, চীংলেন থিয়াম (খাবি) নচিংবা কয়া অমসু য়াওবীরম্মী। নুপী শাবীদনা কৈশাম জিলাঙম্বা (খোংমন), কুঞ্জমনি (ইরোইশেম্বা), কোমোল (ককচীং খুনৌ), টি ঐচ ধনেশ্বর (থিয়াম কোঞ্জিন), এন সঙ্কর (নম্বোল নাওরেম), এস রোবিন্দ্রো (লংথবাল) লৈখিদ্রবা দেবদত্ত (নোংমৈবুং) মখোয়সিনি। সিগী মতুংদা লৈখিদ্রবা এস বিরেন (য়াইস্কুল জন্মস্থান) মতম শাংনা য়াওবীরম্মী, মমিং লৈরবা মীয়াম্না পাম্নরবা লীলা কয়াদা কুম্মীন্নদুনা এক্ট তৌমিন্নরম্মী। লোয়নমক ফৈ, তিন্নবসু য়াম্না নুংঙাই। অদুবু রিজর্ভ ওইবা কেরেক্টর ওইনা তৌবনা অতোপ্পা মখলগী প্লে অমা পুথোক্লবা হোৎনরকপদা মহাক শিন্দোক-শিঞ্জিনসি অনী অহুল্লক তৌখি। মসিদা নত্তনা মতম মতমগী ওইনা নুপী শাবী আর্টিষ্ট ময়াম অমা য়াওরম্মী। মপূং ওইনা য়াওরমদবনা মমিং লোইনা পঞ্জদ্রে। ম্যুজিকেল আর্টিষ্ট ওইনা লৈখিবশিংগী মনুংদা - জিতেন খাইদেম (থাংমৈবন্দ), হৱাইবম বুধি (খুম্বোং খাইদেম), নবা শর্ম্মা (বামোন লৈকায়) অসিনা মপূং ওইখি। মরক্তা অমা অনীসু য়াওরম্বদি লৈখি। মসি ঐনা য়াওরিঙৈ মতমগী ৱানি। মখা তারকপদদি অনৌবা আর্টিষ্ট কয়া অমা য়াওবা উই। অদুবু ঐ ইশাগদি লোয়নখিদ্রে। মতমদুদা, ওকেষ্ট্রা ওইনা - বঙ্ক (খুয়াথোং পুখ্রি মপান), এল গোপেশ্বর শর্ম্মা (বামোন লৈকায় লাইপুবম), কে দেবান শর্ম্মা (লাইফম খুনৌ), কুঞ্জকিশ্বর (শওম্বুং), এন টিকেন (ক্বাকৈথেল), লৈখিদ্রবা এস দিনা (উরিপোক নাওরেমথোং), লৈখিদ্রবা এ কান্ত (উরিপোক অচোম লৈকায়, লৈখিদ্রবা গোপাল শর্ম্মা (ৱাংখৈ), কান্ত (কোংবা), লৈখিদ্রবা আর কে জিতেন (নিংথেম পুখ্রি মপান) অসিনচিংবনি। অতৈ খরা অমসু য়াওবীরম্মী, লৈখিদবসু য়াওখ্রে। শাংনা য়াওরমদবনা মমিং কাউখিবসু য়াওরে। ময়াম অসিনা অচৌবা টিম অমা ওইনা শেমদুনা মখল কয়াগী মমিং লৈরবা লীলা কয়া মথং মথং পুথোক্তুনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা নত্তনা মপান লম কয়াদসু লীলা উৎনবগী তাঞ্জা ফংখি। ঐনা লীলা য়াওরিঙৈদুদা মমিং লৈরবা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনখিবা লীলা কয়া শান্নখি। ইনখৎলকপা মতমগা ওইবনে, মতমদুদা মীয়াম্না য়াম্না নুংশিবীখি। ঙাওশিন ফৈজিন্নদুনা শেরান তুরান তৌদুনা লৈদৌ শরুক নোইনা তৌরিসি য়াম্না ফৈ হায়না দিপার্টমেন্টকী ওইবা চাকচা হৈজ নবা অমদি অতৈ থৌদোকশিংদা লীলা উৎপদা অচৌ-অশাং ময়াম্না ঐখোয়বু নুংশিনা হায়বীরকপা য়াম্না য়াওখি। মখোয়গী ৱাহৈদুনসু ঐবু অনৌবা থৌনা হাপখি খল্লি।

ঐখোয়না লীলা য়াওরকপদা শেলগী ৱাসি কয়া খল্লুদে। মতমদুদা য়াম্নসু লৌনরমদে। লীলা অমা কৌবদা ঐখোয় লুপা ৩০০গুম্বা লৌরম্মী। লম লাপ্পগনা খিত্তংদি হেল্লি। লীলা অমা শান্নবদা ঐখোয় শেল কৈসু য়াম্না ফংনদে, লুপা ১০ য়েন্নবা, লুপা ১৫ নৎত্রগা ২০/৩০ য়েন্নবা য়াওই। মদু ঐখোয়দা শাথীনা মমল লৈনা লৌখি। নোংমা ঐখোয়গী কাঙবু মরক্তগী দখিনা (লীলা কৌবগী মমলসি মতমদুদা দখিনা হায়না খঙনৈ) শেল হেনগৎনবা প্রপোজেল থাংগৎনরকই। মদুগীদমক থওইনা মীটিং তৌই। মতমদুদা মেম্বর খরনা লুপা ৫০০ লৌরসি হায়রকপদা ইশামক্লা য়েৎখি, "অদুক য়াম্না লৌরদি কনানা ঐখোয়বু কৌবীনি"। অদুবু মমৈদা হায়বদি হায়রসি, অদু য়ৌনা পীরক্তসু কায়দে, হৌজিক লৈরিসিদগী খরা হেনগৎনা পীরক্লসু ফরে হায়না ৱারেপ লৌখি। লীলা কৌবা লাকপদা মতমদুদা য়াম্না চম্না ফজনা তৌনরম্মী। লা তাঙ্গ অমা ফজনা য়াৎলগা, ক্বা-মনা হাপ্তুনা তৌবসি চৎনরম্মী। ঐখোয়গী মতমদসু মসি মতম খরা অঙনবা মতমদা চৎনরম্মী। রুমাল অমনা য়োল্লগা পুরকই। লীলাগী মতম অমদি মফম লোইনা য়াওনা খঙনরবা মতুংদা ক্বাদু কৎলগা খুরুম্নরগা বার্তন থাবা চৎনৈ। মদুগীদু বোয় অমদা নিংথিনা ইশিন্দুনা থমনৈ। লীলা বার্তন তৌবদা রিসিপ্ট অমসু ককনৈ। মদুদা লীলাদা চঙগদবা মচাক-মথুম লোইনা ইরগা পীনৈ।

য়াম্না নুংঙাইবা অমনা লৈশাবীশিংনা লীলা তৌবসি ৱা য়াম্না পেৎনৈ। ফি নান্দবা য়াওই হায়বসি য়াম্না চেকশিন্না হায়। লীলাগী রোল রোলদুগী মতুংইন্না ফি নানগদবনি, লায়রবা শাবদা ফি নান্না শেৎপা য়াবা নত্তে, হায়রসু লৈশাবীশিংনা য়াদে। নোইগী লৈত্রসু ঐখোয়না থনমগনি হায়দুনা মরু ওইনা হিরো-হিরোইন শারিবশিংদো মফি য়াম্না নানহন্নবা হোৎনৈ। লীলা মফমদা মবুং-মৌপ্বাগী ফুরিৎ কোট সুট টাই ময়াম থনম্মী। সিগী মনুংদগী অপাম্বা লিৎলু হায়। থওইনা ফুরিৎ মচু খল্লগা মসিমদি লিত্তবা য়াদেকো হায়না কন্না শিন্নৈ। লীলা হৌরবা মতুংদসু লৈশাবী অমা অনীনা ফি শেৎফমদা চেনশিল্লক্লগা, "করিগীনো ঐখোয়না লিৎলু হায়বা ফুরিৎ লিৎত্রিসে' হায়না শাউরবগা য়াওরিপোৎনি। অদুনা চান্নে চান্নদে খঙদনা ঐ মখোয়না লিৎলু হায়বা ফুরিৎতু লিৎলগা থোরকপদা মখোয় ময়াম্না খূবাক খুদুনা ৱা-ৱা নোকচরিপোৎনি। মদুদা নুংঙাইজরিবনি। য়াওশঙগী লীলা শান্নবদা লৈশাবী মশেলসে চাং তানৈ, মোইনা কৌবা লীলানা ফজবা হেল্লি, ফি নানবা হেল্লি গাইনা পোংজরিবনি। নুংঙাইখ্রবা থৌওং ঙাক্তনি। মমৈদদি ঐসি মীগী পোৎ ৱাইরগা শেৎ চাবদা মমিং হায়রপ চৎখি। কনাগী আনোক, তুপী, ঘড়ী, ফুরিৎ, জেকেট, পেটি ৱাইদবা অমত্তা য়াওদে। ঐগী আনোক অমত্তা লৈতে। অদুবু লীলাদদি আনোকসি অনী অহুম শিন শিন্দুনা উপ্পী। পেটি ফজবা য়াম ফারকই, জেকেটকা লিৎলি। মদু ঐগী অমত্তা নত্তে। ভাবোক্তগী লোইনা ৱাইবা ঙাক্তনি। ভাবোক্লসু ৱাইবসি য়াম্না ৱাইহন্নীংই। মাগী আনোক, ঘড়ী, পেটি ময়ামদু শীজিন্নরগা থোরকপদা মখোয়না হরাউজরিনি। ৱাইরগা শীজিন্নবসি ইনাক খুনবসু য়াম্না মাল্লি। অনানবা অফবা ঙাক্তা শীজিন্নরবনিনা। মসিগী তোপ তোপ্পা মনুংঙাই অমা মতমদুদা ফাওখি। অদুনা মেক-অপ লোইরকপদা নৎত্রগা তৌদ্রিঙৈদা ঐনা ৱাইগদবসি মী মরক্তা ঙক থাঙ্গৎতুনা য়েংলিবনি, অদুগা অপাম অপাম্বদু মী থারগা কৌশিল্লগা ৱাইরিবনি। মতমদুদা ঐসু অদু মঙাই, ঐগা পুনমিন্নরিবশিংসু অদু মঙাই, নুংঙাই য়াইফবা, ফি রোল মরাং কায়না লৈবা ঙম্বা মী অমত্তা নত্তবনা অরৈ-অরৈবা শেৎলগা লীলা তৌনরকপনি। লীলাদা ফিরোল য়াম্না হোংগদবা অমদি কোটকা লিৎতবা য়াদবা, অনানবা ফিরোল শেত্তবা য়াদবা ওইরদি স্ক্রিপ্টতু ফনা ফজরসু ঐখোয় শানদবগা য়াওরিবনি। মরমদি ফিরোলদু ঐখোয়না তুবা ঙমলোইদবনা। অদুনা ঐখোয়গুম্বা লায়রবশিংগীদমক হাংবা সেকেন্দ হেন্দগী ফিরোলসি খনবদা ঐখোয় মতম চঙনা খল্লিবনি। মমৈদদি সেকেন্দ হেন্দগী ফিরোল শেৎপসি অমুক নোক্লরকপদগী তোকখি। মতমদুদা টেলরিং তৌবসু য়াম্না লৈ। মমিং চৎপা টেলরিং তৌবশিংদা অখন্নবা লীলা লীলাগী ওইনা দ্রেস তুই। মদু অয়াম্বনা শোৎলগা তুবা ঙাক্তনি। লীলা চৎলকান্দা খরা খরা শিংগৎপনি। মদু ঐখোয়বু সপোর্ট তৌবীবা ওইনা টেলরিং দুকান তৌবশিংনসু অদুম হরাও হরাও য়াবী। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৩৮

**উসম ধনঞ্জয়**

**নবেম্বর ২৫, ২০০৯ :** এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনা খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্কা মরী লৈননা চঙশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা নবেম্বর ২৮দগী চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা থবক অমত্তা পায়খৎতনবা অমসুং মখল অমত্তগী খাজনা লৌদনবা লাউথোকখি। মহৈরোয় লূপ অহুম অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মহৈরোয়গী লূপশিংনা থিংলিবা অথিংবা অসি ইকায়খুম্ন বা উৎপীনবা হায়খি। মহৈরোয় লূপশিং অসিনা নবেম্বর ৩০দগী ফেষ্টিবেল অমত্তা পাঙথোক্তনবা হায়খি। কনাগুম্বনা মখোয়না হায়জরিবা অসি থওইদ্রবদি মখোয়দা পাউ পীবিরক্লবা হায়জখি।

**নবেম্বর ২৫, ২০০৯ :** এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়নগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লাইব্রেরি কম ইনফোর্মেসন সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদু থাও অমসুং থাংমৈবন্দ কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শিনবনি। এল জয়ন্তকুমার, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, থাংমৈবন্দগী এম এল এ রাধাবিনোদ কোইজম, থাওগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বীর মৈতৈ, টি কে ভি এসকী প্রসিদেন্ট সী ঐচ দিনচন্দ্র অমসুং থাওগী এদভাইজর কে ঐচ মোমোননা মথংশিংৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি মদুদি হৌজিক মতমদা হিংবসি কম্পিটিসন মখল অমনি। অদুনা ঈ-পাউ হায়বসি য়াম্না মরু ওই। জ্ঞান হায়বসি নোংমৈদগী হেন্না শক্তি লৈ। লাইব্রেরি অসিনা ঈ-পাউ অমসুং জ্ঞানগী ফংফমনি।

মিনিষ্টরনা মাগী অপোকপনা ইরম্বা লাইরিক 'The Philosophy of the Meiteis before the advent of Vaishnavism' হায়বদুগী কোপি ২০ খক লাইব্রেরিদা কৎখি। লাইব্রেরি অদু এম এল এ রাধাবিনোদ কোইজমগী অপোকপীগী মীংদা লৈগনি। এম এল এনা লাইব্রেরি কম ইনফোর্মেসন সেন্টর শাবদা লুপা লাখ ৭ কৎখি।

**নবেম্বর ২৬, ২০০৯ :** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লমলাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা থায়োং খুনদা খুনসিগী খুল্লাকপা ওইরম্বা অমা মাগী নুপী অমসুং মচন নুপীগী মমাঙদা ফমুংদগী চিংথোক্লগা খূৎলায় পায়বা মীওই অনীনা কাপ্তুনা হাৎখি।

খুঞ্জাশিংনা তাল্লিবদু য়াবীদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা সিক্যুরিটি পোষ্ট অমা হাংদোক্কনি হায়খি। খুঙ্গংদুগী মফম চাবা মফম অমদা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ষ্টেট ফোর্স পর্সনেল খরা থম্লগনি হায়খি। খুল্লাকপা ওইরম্বা আর রেয়ামখুপ কোম (৫২) বু খূৎলায় পায়বা মীওই অনীদুনা হৌখিবা নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

খুল্লাকপগী লোয়নবী থাঙমৈনা মীদিয়াগী মীওইশিংদা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা মী লোইনা তূম্নরবা কান্দা মীওই খরনা মমাঙথোং অদু থিল্লকখি। ইমুংগী মীশিংনা থোঙদু হাংদোকপা নংদ্রিঙৈদা মখোয়না থোঙ অদু থুগাইরগা চঙলকখি। মশক খঙদবা মীওই অনীদু অমনা নোংমৈ অচৌবা অমা পায় অমনা নোংমৈ মচা অমা পায়। মখোয়না চঙলক্লগা নঙগী নুপা কদাইদা লৈবগে হংখি।

মীওই অনীদু কুকি মরোল লোল্লি। মহাক য়ূমদা লৈতে হায়রবসু মখোয়না নমদুনা রেজামখুপকী ফমুং লৈবা কাদুদা চঙখ্রগা চিংথোরকখি।

মহাক অমসুং মাগী মপুরোয়বগী মচন অনীনা অমম্বদুদা মতুংদা ইন্নরম্মী অমসুং মাবু থাদোকপীনবা হায়জখি। মখোয়না খুলগী খুল্লাকপগা মীটিং অমা তৌগদবনি হায়। মখোয় অনীনা ঐখোয়দা তুংদা ইন্নরক্কনু হায়। মখোয় অনীদুগী মনুংদা অমনা মহাক লালুন হায়বা অমগী মনাওনি হায়।

থাংমৈনা মহাক্কী মপুরোয়ববু থাদোকপীনবা অমসুং মখোয়গা চৎমিন্নবা য়ানবা হায়জখি। মখোয়না ৱারী শানরিঙৈদা মখোয় অনীদুগী মনুংদা অমনা মপুরোয়ববু নোংমৈনা কাপখি। তাদুনা লৈরিবা মপুরোয়বদুদা মহাক্লা চোঙশিনবা কান্দসু মখোয়না অমুক্কসু নোংমৈ কাপলকখি। অদুদগী থুনা মফমদু থাদোক্লগা চেনখি, নোংথক্তা নোংমৈসু কাপখি।

পি ঐচ পরিজাৎ, ষ্টেট হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টরনা রিমসকী মিরেনশঙদা লাকখি অমসুং অৱাবা তারবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদু থেমজিনখি। মহাক্লা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরম্বা অদুবু কন্না য়ানীংখিদে।

মহাক্লা হায়খি, 'মরাল লৈজদবা অমবু হাৎপসি য়ানীংদে, মদুসু মাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী মমাঙদনি। লৈঙাক্লা শোয়দনা থিদোক্কনি, লৈঙাক্লা শু তৌনরিবা লালহৌবগী খূৎ য়াওবরা য়েংগনি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। লৈঙাক্কী থবক তৌরম্বনিনা লৈঙাক্লা কম্পেন্সেসন পীগনি হায়খি।

রিমসকী মিরেনশঙদা লৈরিবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু লৌবা লাকপা খুঞ্জা ২০০ মুক্লা মীহাৎ অসিবু য়ানীংদবা উৎতুনা চীফ মিনিষ্টরদা ৱাকৎনবা মাগী ওফিস তম্না লাকখি। পুলিসনা খুঞ্জাশিং অদু উরিপোক বাচস্পতি লৈকায়দা থৎখি। মতুংদা মখোয় মঙাখক খনগৎতুনা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীনবা চৎহনখি। মীহাৎসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা মখোয়গী মেমোরেন্দমদা হায় মদুদি লৈঙাক্লা সম্পেন্সন ওফ ওপরেসন তৌনরিবা কুকি লালহৌবশিংনা কোমরেমগী মীওইশিংবু ওৎপা-নৈবা অমসুং হাৎপনচিংবা থবক কয়া চত্থরি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখোয়গা উনবা অদুদা হায় মদুদি নুমিৎ নীনিগী মনুংদা ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সকী পোষ্ট অমা হাংলগনি, লৈঙাক্কী কাঙলোন মতুংইন্না মতিক চানা কম্পেন্সেসন পীগনি অমদি মীহাৎ অসিদা শুদা লৈরিবা লালহৌবা য়াওবরা হায়বদু থিজিনগনি হায়খি। ইবোবীনা মসিমসু হায়খি মদুদি এস পি ইম্ফাল ইষ্টতা থিজিন্নবা হায়গনি।

জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ বজারগী থৌদোক থিজিন্নবা পি জি অগরৱাল কম্মিসন্না ঙসি দিল্লিদা ফোঙবা টেহলকা মেগাজিনগী জর্নেলিষ্ট অনীবু কৌদুনা কম্মিসনগী মমাঙদা জবান পীরনবা ওথোরিটিদা হায়খি।

মীওই অমনা শাবা কম্মিসন ওফ ইনক্বারি অসি রিটায়র্দ জষ্টিস পি জি অগরৱালনা নোর্থ এ ও সীদা লৈবা ইম্ফাল হোটেলদা হিয়ারিং চত্থরিবনি। মীওই অনীগী জবান লৌরম্মী। অমনা থৌদোক অদুদা শোকপা অসাম রাইফলস জৱান অমা অমসুং ঘড়ী শেম্ফমগী প্রোপ্রাইটর অমনি। ঘড়ী শেম্ফম অসিদা হান্না লালহৌবা য়াওরম্বা সী ঐচ সঞ্জিৎপু পুলিস কম্মান্দোশিংনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। জর্নেলিষ্ট অনী অদুনা সঞ্জিৎ হাৎত্রিঙৈদা কম্মান্দোশিংনা মাবু ফাদুনা পুবগী ফোটোগা কোন্ননা উৎখি।

টেরেসা রেহমান, টেহলকাগী জর্নেলিষ্ট অসিনা জুলাই ২৩গী থৌদোক অসিবু 'শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবনি' হায়না মীয়ামদা ফোঙদোকখি। মদুদা মানা ফোটোগ্রাফ ১২ মথং মনাও নাইনা হাপ্তুনা চহী ২৭শুরবা সঞ্জিৎ অসি খূৎলায় মতিক পায়বা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনা হাৎপনি হায়না মাগী আর্টিকল 'মর্দর ইন প্লেন সাইট' হায়না মীংথোনবা আর্টিকল অমদা টেহলকাগী ভোল্যুম ৬শুবা, ইশু ৩১, ওগষ্ট ৮, ২০০৯তা ফোঙখি।

সোমা চৌধুরি, অতোপ্পা জর্নেলিষ্ট মেগাজিন সিমক্কীনসু 'লাইফ ইন এ শেদো লেন্দ' (ভোল্যুম ৬, ইশু ৩২, ওগষ্ট ১৫, ২০০৯) দা মখা তাবা রিপোর্ট অমা ফোঙখি। মদুদা মীয়াম্না ঈৱাং হৌরকপদা লৈঙাক্লা কর্ফিয়ু থম্লকপা, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টতা মী অমত্তা মপান থোকপা য়াদবা অদু ইরম্মী।

কম্মিসন্না জর্নেলিষ্ট অনীদু কৌনবা পুলিসনা মেগাজিন অদুগী এদিটর ইন চীফ তরুন জে টেজপাল, ন্যু দিল্লিদা সমোন লেটরশিং থানবা অমসুং শোয়দনা কম্মিসনগী মথংগী হিয়ারিং দিসেম্বর ১৬, ২০০৯দা লাক্লবা হায়খি। সমোনশিং অদু টেহলকাগী এদিটর তরুন জে টেজপালগী থ্রুদা থাখো। শাখি অনী অদু মখোয়না ভোল্যুম ৬, ইশু ৩১, ওগষ্ট ৮, ২০০৯ অমসুং ভোল্যুম ৬, ইশু ৩২, ওগষ্ট ১৫, ২০০৯দা ফোঙখিবা মখোয়গী ৱারীদুগা মরী লৈননা জবান পীরগদবনি।

মদুগী মমাঙদা কম্মিসনন্না ৩শুবা অসাম রাইফলসকী জৱান; পি লুখোই অমসুং ঘড়ী শেম্ফম বি টি রোদতা লৈবা দুকান অমগী মপুবু জবান পীহনখি। ঘড়ী শেম্ফম অসিদা সী ঐচ সঞ্জিৎ অসি পুলিস কম্মান্দোশিংনা নোংমৈনা কাপখিবনি।

মহাক্কী জবানদা লুখোইনা হায়, মহাক্লা থৌদোক অদু মাগী মমান্নবা টি ঐচ জেমসকা মোটোর সাইকল অমা তোংদুনা চৎলিঙৈদা থেংনবনি। মখোয় ওফিসল ওইবা খোঙচৎনি। মখোয় বি টি রোদ ফাওদুনা চৎলি, এম জি এভেন্যুদা লৈবা মণিপুর পুলিসকী সী আই দি ওফিসতা থবক অমা চৎলি।

মহাক্লা হায়, নোংমৈ অদু অপিকপা নোংমৈ নত্তে, এ কে রাইফলগুম্বা অচৌবা নোংমৈনি। মহাক্লা হায়, মহাক্লা তাখিবা মখোলদু এ কে সেরিজগুম্বদগীনি। নোংমৈ কাপ্লকখিবগী মখোল অদু মানা তাখিবদা নোংমৈ মচাগী নত্তে।

পনবা য়াবদি, পুলিস কম্মান্দোশিংনা সঞ্জিৎ কাপ্লিবসি মোজর গননি। সঞ্জিৎকী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংগী মনাক্তগী ফংবনি। মখোয়না হায়, সঞ্জিৎনা ফারিবা কম্মান্দোশিংদগী নাম্থোক্লবা চেনবদা মানা পায়বা অপিকপা নোংমৈদুদগী কাপখি।

ঘড়ী শেম্ফমগী প্রোপ্রাইটর টি রনবিরনা হায়বনা সঞ্জিৎ অসি মাগী দুকান গোদাওন ওইনা শীজিন্নবা অদুদা হাৎপনি। মহাক অতৈদি খঙদে হায়। মাগী জবান তারবা মতুংদা কম্মিসন্না মথংগী হিয়ারিং দিসেম্বর ১৬কী অয়ূক পুং ১০.৩০দা মফমদুমক্তদা পাঙথোক্কনি হায়খি।

**নবেম্বর ২৬, ২০০৯ :** ষ্টেট পুলিসনা জুলাই ২৩গী বি টি রোদতা থোকখিবা থৌদোক্তুগা মরী লৈননা চয়োলগী ফোঙবা চেফোঙ টেহলকাগী এদিটর তরুন জে টেজপালবু এগজামিন তৌগনি হায়। মখোয়না মঙোন্দা ফোটোশিংগী ওরিজিনেল কোপীশিং অমসুং নেগেটিভশিং, সোফ্ট কোপিশিং অমসুং অতৈ মরী লৈনবশিং পুথোক্লবা হায়। আর্টিকলশিংদুদা থৌদোক্তুগা মরী লৈনবা ফোটোশিং য়াওই। ●